# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 03-04-2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** চিংনবা মফম কয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমদা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ দা ককচিং জিলাগী লাংমৈদোংদগী মেগজিনগা লোয়নবা নোংমৈ মচা অমা, মরু মরি, হেন্দগ্রেদ অনি অমসুং বুল্লেট প্রুব জেকেট তরুক ফাগৎখি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ২০৬ অমসুং নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ২৩৪ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালোমদা চংল্লকখ্রে হায়রি। হায়রিবা পুং ২৪ অসিগী মনুংদা রাজ্য অসিগী মফম অমত্তদা পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী পাউ লৈতে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোকি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেল জিলাদসু লোক সভা মীখলগীদমক শেম শাবগী থবক কন্না চত্থরি। মীখল অসিদা মথৌ তৌগদবা নুপী পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ত্রেন্নিং ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

চান্দেল দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা মল্টি পরপজ হোলদা পাঙথোকখিবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা নুপী প্রিসাইদিং ওফিসারশিং অমদি পোল্লিং ওফিসিএলশিং পুন্না ২২৯ না শরুক য়াখি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** সিষ্টেমেটিক ভোটরস এদুকেসন এন্দ ইলেক্তোরেল পার্টিসিপিটেসন (স্বিপ) কী কেম্পেইন অমা ঙরাং জিরিবামগী সোনাপুরদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিস-জিরিবামনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নুপীশিংনা ভোট থাদবগী চাং ৱাংহন্নবগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। জিলা অসিগী দিবোংদসু নুপীশিংগী ওইবা স্বিপ কেম্পেইন অমা পাঙথোকখি। কেম্পেইন অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা ইলেক্সন কন্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা মীয়াম মরুওইনা নুপীশিংনা ভোট থাদবগী চাং হেনগৎহন্নবা অনৌবা আই.টি. প্লেটফোর্ম কয়া পুথোক্কুনা হোৎনরিবশিংগী মতাংদা নীংথিনা ৱাখল তাহনখি।

অমরোমদা, জিরিবাম জিলাগী ওইনা মীখলদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিংনা ফোর্ম টুয়েল্ব থাজিল্লকপগী মতম থা অসিগী ৮ গী নুংথিল পুং মরি ফাওবা শাংদোক্লে হায়রি। ৱাফম অসি দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার-জিরিবামনা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লকপনি।

ফেরজোল জিলাগী ফেরজোল গভরমেন্ট হায়স্কুল, লৈজাংফাই গভরমেন্ট হায়স্কুল অমসুং পার্বুং গভরমেন্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদসু ঙরাং স্বিপকী কেম্পেইনশিং পাঙথোকখি। দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার ফেরজোলগী লমজিং মখাদা ঙরাং জিলা অসিগী হেদক্বাটরসতা ভোটরশিংবু ৱাখল তাহন্নবগী মতাংদা রেল্লি অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

**কেম্পেইনঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী থা অসিগী ১৯ দা ভোট থাদনগদৌরিবা অহানবা তাঙ্কক্কীদমক লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা ভোট খোম্বগী থবক তপা তপা কনখৎলক্লি।

বি.জে.পিনা মীখল অসিদা দলগী মীরেপ ওইরিবশিংগীদমক ঙমজবা থাক্তা ভোট খোমনবা হোৎনরি। প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি. লচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং রাজস্থানগী কোটপুতলি মনাক্তা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংখি। মহাকা হায়-ইং ২০১৪ অমসুং ২০১৯ গী লোক সভা মীখলদা রাজস্থানগী সিট ২৫ মক বি.জে.পিনা লোয়না ফংবা ঙমখি। হন্দক্কী মীখল অসিদসু মসিমক ওইথোক্কনি হায়বসি মহাক্কী অচেৎপা থাজবনি।

মহাকা হায়-পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসি ইচম চন্বা মীখল অমা নত্তে। চাউখৎলবা ভারত অমসুং চাউখৎলবা রাজস্থান অমগীদমক পাঙথোকপা মীখলনি। কংগ্রেস অমসুং ইন্দিয়া এল্লাইয়েন্সপু সমালোচানা তৌরদুনা শ্রী মোদিনা হায়-মখোয়না মীখল অসিদা লৈবাক্কী ওইবা ৱাখল্লোন নাথৈরগা ইমুং মনুংগী ওইবা রাজনিতি তৌরি। হন্দক্কী মীখল অসিদা য়ামা অঙকপা অমদি বিরোধি দলশিংনা মখোয় মখোয়গী ইমুংশিং কন্নবগীদমক পুনশিনদুনা হোৎনবা অসিনি।

**ইসিআইঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই.সি.আই) না অসাম, বিহার, ঝরখন্দ, উরিষ্যা অমসুং অন্ধ্র প্রদেসতা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট, এস.পি, দি.আই.জি. অমসুং আই.জি. রেঙ্ককী ওফিসারশিং ত্রান্সফর তৌখ্রে।

কম্মিসন অসিনা চাং নাইনা চত্থরক্লিবা রিভিয়ু মীতিংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার-রাজিব কুমারনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা ওফিসারশিং অসি ত্রান্সফর তৌনবা ৱারেপ লৌখিবনি। ত্রান্সফর তৌখ্রবা ওফিসিএলশিং অদুগী মনুংদা অসামগী উদলগীরিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট, বিহারগী ভোসপুর জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমদি এস.পি, বিহারগী নাৱাদা জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমদি এস.পি. য়াওরি।

**কেজ্রিৱালঃ** এক্সাইস পোলিসি কেসকা মরী লৈননা দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি-অরবিন্দ কেজ্রিৱালবু ফাবা অমসুং কষ্টদিদা থম্ববু শিংনরদুনা মহাক মশামকা থাংগৎলকপা ৱাকৎকী পাউখুম অমা ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা দিল্লি হায় কোর্টদা পীখৎখ্রে।

পাউখুম চেরোল অদুদা ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা হায়-প্রিভেন্সন ওফ মণি লোন্দরিং এক্টকী সেক্সন ১৬ কী মখাদা আইনগী ওইবা তঙাইফদবা পুম

মক ঙাকপগা লোয়ননা শ্রী কেজ্রিৱালবু ফারিবা অসি আইনগী মীৎয়েংদা অচুম্বা খোঙথাং অমনি। শ্রী কেজ্রিৱাল তিহার জেলগী জ্‌দিসিএল কষ্টদিদা থা অসিগী ১৫ ফাওবা লৈখিগনি।

**ফসাইঃ** ফুদ সেফতি এন্দ ষ্টেন্দরস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (ফসাই) না ই-কর্ম্মস ফুদ বিজিনেস ওপরেটরশিংদা মখোয় মখোয়গী ৱেব সাইটতা য়োল্লিবা চান-থকবা পোৎলমশিং মচা খায়না য়োন্নবা খঙহনখ্রে।

ফসাইনা থোকপা ৱারোল অমদা ই কর্ম্মস ৱেৱসাইটশিংদা চান-থকবা পোৎলম খরা-হেলথ দ্রিঙ্ক অমদি ইনর্জি দ্রিঙ্ক হায়বা কেটেগোরিগী মখাদা য়োনবা থেংনরে। য়ুনিয়ন হেলথ মন্ত্রালয়না হায়রি-ফসাইনা হেলথ দ্রিঙ্ক হায়রিবা টার্ম অসি ফুদ সেফতি এন্দ ষ্টেন্দরস এক্ট এন্দ রিগুলেসন্সকী মখাদা য়াওদবা অমদি ষ্টেন্দদাইজ ওইদবা টার্মনি।

**মাওইষ্টঃ** মধ্য প্রদেসকী বালাঘাট জিলাদা পুলিসনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা হকথেংননা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা নক্সলাইট অনি শিরে।

শিরবা নক্সলাইটশিং অদুগী মনুংদা অমনা লুপা লাখ ২৯ গী রিৱার্ড লাউথোকখ্রবা মীওইনি। অদুগা অতোপ্পা অমদুনা লুপা লাখ ১৪ গী রিৱার্ড পুরিবা মীশকনি। রিৱার্ড পুরিবা নক্সলাইট অনি হাৎখিবা অদুদা মধ্য প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-ডা: মোহন যাদবনা রাজ্য পুলিসপু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। নক্সলাইটকী ইহৌ অসি কৈদৌনুংদসু য়াবা ঙমলোই হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ই.সি.আইদা মোদেল কোড ওফ কন্দক্ট থুগায়রে হায়দুনা এম.পি.সি.সিনা ৱাকৎখিবা, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ-তোতোমসনাগী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌনবা

দি.ই.ওনা এস.পিদা খঙহনখিবা অমদি মনিপুরদা দিস্তুর্ব এরিয়া ষ্টেটস থা তরুক অমগা শাংদোকখিবা পাউশিং অসিনা ঙসি ফোংবা পাউ-চেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

সি.এম. বঙ্গলোদা নুপী ময়াম পুন্না পুন্না চংবা উরিবসি মীখলগী মোদেল কোড ওফ কন্দক্ত থুগায়ব্রা য়েংবিনবা সি.ই.ওদা ৱাকৎখ্রে হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, পোকফম অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদসু মান্নবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজতা-চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা নোংলৈ নুংশিৎনা য়ুম ৮০ হেন্না অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-কৈথেল ফম্বী ইমাশিং ভোট য়াওরোইদৌরি হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেসকী মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন অনিমক, পোকফম অমদি হুইয়েন লানপাউদসু ফোংবা থেংনরি।

ওপোজিসন এল্লাহয়েন্সপু ইন্দিয়া কৌবা য়াব্রা হংল্লকখ্রে। কোর্টনা পাউখুম পীরকবা খঙহনখ্রে হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-মনিপুরগী দিস্তুর্ব এরিয়া ষ্টেটস মখা তানা শাংদোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সি.এম. বিরেন হাৎকনি হায়রিবা মীরেপ-তোতোমসনাগী মথক্তা পুলিসতা ৱাকৎখ্রে হায়না সনা লৈবাক পাউচেদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ম্যান্মার মচাশিং য়াওনা মীওই মরি দ্রগকা কোন্ননা ফাখ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরগী অহানবা লমাইদা ফোংলি।

পোকফমদা-ই.ভি.এম. ভোট চাদা ১০০ ভি.ভি.পেথ ভেরিফিকেসন তৌনবা সুপ্রিম কোর্টনা ই.সি.আইদা নোটিশ থাখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

বি.জে.পিনা মোদেল কোড ওফ কন্দক্ট থুগায় হায়না কংগ্রেসনা মরাল শিরকপা পাউ অমসু মোরনিং বেলদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-মনিপুর কৈথেল ফন্বী অপুনবা লুপনা ভোট য়াওরোই হায়না লাউথোকখিবা পাউ অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিয়ু মেলদা-মনিপুর কংগ্রেসনা সরকারগী ওফিসিএলশিংদা মোদেল কোড ওফ কন্দক্ট থুগায়বগী লিগেল এক্সন লৌখৎনবা তৌখিবা দিমান্দনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-বি.জে.পি. লুচিংবা খরা য়াওনা য়াইস্কুলগী হান্নগী এম.এল.এ. এলাংবম চান্দ সিংহ কংগ্রেস পার্টিদা য়াওখিবগী পাউ হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সেনাপতি জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহল্লবশিংদা মতেং পাংখিবগী পাউ হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

--**কিরন**--